# ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনদা মরাল শীরোইদবনি দিমোক্রেসিগী থৌশিলশিং য়াগদবনি ঃ জাবেদকর



*ন্যু দিল্লি, মে ১৩ঃ*
আম আদমি পার্টি (এ এ পি)না মোদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম) টেম্পরিং তৌই হায়না মরাল শীরি। মদু রাজনিতিগী লমদা মপুং ফাবা ৱাৎপগী খুদম অমনি।

দিমোক্রেসিগী চৎনা পথাপশিং দা য়াদবা হায়বদু মপুং ফাদবা মওং অমনি। দিল্লি এসেমব্লী মীখলদা এ এ পিনা চাওনা মায় পাকখিবা মতমদদি মখোয়না ই ভি এম লান্না শীজিন্নে হায়বগী ৱাফম পুথোরকখিদে। অদুম ওইনমক মায়থিরবা মতম অসিদদি ইলেক্সন কম্মিসনদা ই ভি এম টেম্পরিং তৌবগী ৱাকৎ থাঙ্গৎলক্লি। মদু খন্ননিংঙাই ওইবা ৱাফম অমা তশেংনা ওইরিব্রা হায়না য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

কংগ্রেস য়াওনা ওপোজিসন পার্টিশিংদা টার্গেট তৌরদুনা লুচিংবা অদুনা হায়, ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনগী থবক থৌরমশিংদা ৱাহং কয়া হংলিবা অদু মরম চারিব্রা। অদুগুম্বা ই ভি এম মেছিনশিং অদু পঞ্জাবকী মীখলদসু শীজিন্নখিবনি।

মদুদদি করিগুম্বা অরানবা অমত্তা লৈ হায়না ফোঙদোরক্তে। ফিভম অসি য়েংলগা হায়বা য়ারিবদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা শেংনা রাজনিতিগী লমদা খঙবা ৱাৎপগী অরানবা লৈরে হায়বসিনি, মদুগীসু ঙমখে লৈগনি হায়খি।

লুচিংবা অদুনা হায়, আম আদমি পার্টিনা ই ভি এমগী মায়োক্তা লান্না লমজিংদুনা লুচিংবশিংবু করেম কথাইনদুনা খোঙজং চং শিনহন্নবা হোৎনরি। দিল্লিদা এ এ পিনা চাওনা মায় পাকখিবা অদু ফাগি অমা ওইগদৌরিব্রা হায়নসু জাবেদকরনা হংলক্লি।

চৎলিবা থা অসিগী ৯দা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আরবিন কেজ্রিৱালনা ই ভি এম মেছিন টেম্পরিং তৌবা য়াই হায়বগী দিমোনষ্ট্রেসন পাঙথোক্লবা শেম শাখিবশিং অদু য়েংলগা ঙসি জাবেটকরনা ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবনি।

মীখলদা মায়থিবদা ই ভি এমতা মরাল শীবা তৌরোইদবনি। ওপোজিসন পার্টিশিংনা খঙগদবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাইরবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না শকখঙনরবা লুচিংবা অমা ওইরিবনি হায়খি।

প্রকাস জাবেদকরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি, মহৈ তম্ফমশঙশিংদা পার্মিনেন্ট ওইবা ওজা লৈহন্দ্রবদি লৈঙাক্কী গ্রান্টশিং ফংবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরোই হায়খি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা লুচিংবা অদুনা হায়, দিল্লি য়ুনিভর্সিটি অমসুং অতোপ্পা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা ওজাশিং কনষ্ট্রেক্ট ওইনা থবক তৌরম্বা কয়া থেংনরে। ওজাশিংবু কনষ্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক হাপ্পগী থৌওংশিং লৈঙাক অসিনা পুক্নিং থৌগৎতে।

মহৈ তম্ফমশঙশিংদা পার্মিনেন্ট ওইনা ওজাশিং হাপ্পুনা মথৌ তৌহনগদবনি। ওজশিংবু পার্মিনেন্ট ওইনা মথৌ তৌহনবা হায়বসিদা পুক্নিং থৌগৎলি। ওজাশিংবু পার্মিনেন্ট ওইনা মথৌ তৌহনবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা লৈঙাক্কী চপ চাবা গ্রান্ট পীগনি হায়খি।

# কোঙ্গোদা নৌনা ইবোলানি চীংনবা কেস অনী থেংনরে

*কিনসাসা, মে ১৩ঃ*
দিমোক্রেটিক রিপাব্লিক ওফ কোঙ্গোদা ইবোলানি চিংনবা লায়নানা শোকহল্লবা মীওই অনী থেংনরে। লৈঙাক অদুনা ইবোলানা অরোইবা ওইনা শোকহল্লবা মীওই অমা লৈখিদ্রে হায়না লাউথোকখিবা মতুং মীওই অনী অদু থেংনরকখিবনি হায়না য়ু এন হেল্থ এজেন্সিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

অৱাং নোংপোক থংবা কোঙ্গোগী সেন্ট্রেল অফ্রিকা রিপব্লিকক্তা তাইনবা ঙমখে পরিংদা লৈবা বাস-উলে প্রোভিন্সতা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মীওইশিং চং শিন্দুনা য়েংশিনখি। এক্সপার্টশিংনা হায়, লায়না অদু শন্দোরকপা থিংননবা অথু অকাইগী ওইবা থবকশিং চপ চানা পায়খৎখি।

চাংয়েং তৌবগা লোয়ননা অখন্নবা মফম অমদা চীংনবা লায়ননা শোকহল্লবা মীওইশিং লায়েংবগী থবক চত্থখি। হেল্থ ৱাকরশিং তঙাইফদনা ঙাক শেনবা মথৌ তাই। মদুতা নত্তনা মীয়ামদা লায়না অদু থেংননবা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

ইং ২০১৭কী এপ্রিল ২২দা ইবোলা লায়নাগী লায়ওংশিং উৎলকপা চহী ৩৯ রোম শুরবা মীওই অমা চহী অসিদা অহানবা ওইনা খঙদোক্লি। মহাক অনা লায়েং চত্থরবা মতুং লৈখিদ্রে।

মখা তানা মীওই অনী লায়না অদুনা শোকহল্লম্বা য়াই হায়বগী চীংনবা লৈবনা থিগৎপগী থবক চত্থরি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অমদি লৈখিদ্রবা মীওই অদু অনা লায়েং চত্থনবগীদমক পুথোক পুশিন তৌনবগীদমক মতেং পাং লম্বা মীওইনি।

মহাকসু ইবোলাগী লায়ওংগা চপ মান্নবা লায়ওং উৎপা থেংনরে। অদুগা অনাবা অদুবু পুখিবা টেক্সি দ্রাইভর অদুবুসু চেকশিন থৌরাং ওইনা লায়েংনবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক টেক্সি দ্রাইভর অদু লৈখিদ্রে হায়রি।

মখা তানা মীওই অনী হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ইবোলা লায়নানা শোকহল্লম্বা য়াই হায়না মশক খঙদোক্লে। চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা লায়না অদুনা শোকহল্লবা মীগী মশিং ১১ শুখ্রে হায়না হুগী কোঙ্গো ৱাঙাংলোই য়ুজিন কবাম্বীনা রোইটর ন্যুজদা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অদুদা মীওই ৩ লায়হৌ কন্না হৌবনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। ইং ২০১৪গী অথেংবদা শন্দোরকখিবা ইবোলা লায়নানা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক গিনি, সিরালিওন অমসুং লিবেরিয়াদা পুন্না মীওই ১১,৩০০ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই লিশিং ২৮না লায়না অদুনা শোকহনখি হায়রি।

মমাঙ চহী ফাওবদা মালেমগী ওইনা লায়না অদু শন্দোরকপা থিংননবা অকনবা থবক পায়খৎখি। কোঙ্গোদা খ্বাইদগী হান্না লায়না অদু নাবা মীওই লৈরম্বা থেংনখি। মী শীহনবা য়াবা হেমোরেজিক ফেভর অদু মালেমগী ওইনা ইং ১৯৭৬তা মশক খঙদোকখি।

ইবোলা তুরেল খোঙবানদা লৈবা মীওইশিংদা লায়না অদু নাবা অহানবা ওইনা থেংনবদগী লায়না অদুবু ইবোলা হায়না মমিং থোনখি। কোঙ্গো ওথোরিটিনা ইং ২০১৪দা লায়না অদু শন্দোরকপা থিংনবা মালেমগী লৈবাক কয়াদগী মতেং লৌখি। লায়না অদুনা লমদম অদুদা মীওই লিশিং কয়া শীহনখি হায়রি।

জি এ ভি আই গ্লোভেল ভেক্সিন এলাইন্সনা ইবোলা ভেক্সিন পুথোক্তুনা অথু অকাইগী ওইনা মীওই লাক্ষ ৩দা ভেক্সিন পীখি হায়রি।



# ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনন অমিতাব বচনবু হেপটাইটিসকী গুদ ৱিল এম্বেসেদর হাপখ্রে




*ন্যু দিল্লি, মে ১৩ঃ*
ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (হু)না অমিতাব বচনবু সাউথ এসিয়া লমদমদা হেপটাইটিস থেংনবগী গুদ ৱিল এম্বেসেদর ওইনা হাপখ্রে। লায়চৎ অদু থেংননবা অমসুং লায়না অদুগী মরমদা পাক শন্না খঙহন্নবগী থৌশিল অমা ওইনা অমিতাব বচনবু গুদ ৱিল এম্বেসেদর ওইনা হাপখিবনি হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী রিজনেল দাইরেক্টর (হু) পুনম ক্ষেত্রপাল সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়া লমদমদা হেপটাইটিসনা মীওই ৪,১০,০০০ শীহনখ্রে। লায়না অদুনা মশিং য়াম্না শীহনখিবা লৈবাকশিংদা ইন্দিয়া য়াওরি। চহী খুদিংগী লায়না অদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়া লমদমদা মীওই লাক্ষ ৪গী মথক্তা শীহল্লি হায়রি।

হেপটাইটিসনা মরম ওইরগা মতম চাদনা মীওইবগী পুন্সি মাংবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অদু হন্থহন্নবা অমসুং হকশেলগী লমদা অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা থৌশিল অদু পায়খৎলকপনি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়া লমদমদা মতম চাদনা মীওইবগী পুন্সি কয়া হেপটাইটিস ভাইরসনা শীহল্লি। লায়না অদুনা লমদম অদুদা লৈবা মীওই মিল্লিয়ন ৯০ রোম লিভরগী অরুবা অনাবশিং নাহল্লি।

লায়না অদুনা লিভর কেন্সর অমদি সিরোসিসনচিংবা লায়না কয়া পোকহন্দুনা চহী খুদিংগী মীওই কয়া শীহল্লি। হেপটাইটিসনা থোকহনবা লায়নশিং থেংননবা চপ চাবা থৌরাং তৌরে। হেপটাইটিস বিনা শোকহল্লবা মীওইশিং লায়না অদুগী লায়ওং নত্রগা চৈথেং অমত্তা ফংদ্রবসু চাওনা শোকহল্লি।

ভাইরেল হেপটাইটিসনা মীওই অমত্তা শোকহনবা পামদে হায়না ঙসি মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা অমিতাব বচননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা পাউচেশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হুগী গুদ ৱিল এম্বেসেদর ওইরবা মীওই অদুনা হেপটাইটিসকী লমদা মীয়ামদা হেন্না ভাব তাহন্নবা লোয়ননা ঙাকথোক্লবা থৌরাং পায়খৎপগী লমদা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা থবক তৌগনি।

হেপটাইটিসনা শোকহল্লবা মীওইশিংবু নৌনা খঙদোক্তুনা লায়েং চত্থনবগী মতাংদসু পাক শন্না খঙহন্নবা হোৎনগনি। অমিতাব বচননা ফোঙদোকপা ৱাফম অদু লৈবাক অসিদা লৈবা মীওই খুদিংমক্না তাগনি থাজে। মদু কলচর, সোসিয়েল নত্রগা শেল-থুমগী খুদোংচাদবা ফিভমশিংগা মরী লৈহনদে। পোলিয়ো মুথৎনবগী লমদা পায়খৎখিবা থৌরাংশিং ঐখোয়না উবা ফংখ্রে হায়নসু হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নাদানা ফোঙদোরক্লি।

# টর্কি বস এক্সিদেন্টতা ২০ শীরে

*ইষ্টানবুল, মে ১৩ঃ*
টর্কিগী লম কোইবা মীওই কয়া পুবা বস অমা ঙসি লম্বীদগী নাম্থোক্তুনা খুদোংথিবা থোকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ শীরে। অদুগা ১১না অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদু লৈবাক অদুগী খা নোংচুপ থংবা মরমরিজ সি রিজোর্ট মনাক্তা থোকখিবনি। মুগ্লা প্রোভিন্সকী গভর্নর অমির সিসেকনা ফোঙদোরকখিবদা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা মীওই ২০ শীখ্রে। অদুগা মীওই ১১না অরুবা ফিভমদা শোকহনখি।

বস অদু মীওই ৪০ রোম পুদুনা লাকপনি। বস অদুদা তোংলকখিবা মীওই অয়াম্বদি নুপীশিংনি হায়রি।

চীংগী লমদম ওইনা তৌবা মফম অদুগী লম্বীদগী বস অদু লম্বী মতাইদা খাবা শম্বল নাম্থোক্তুনা ওন্থখি। টেলিভিজন ফুটেজশিংদা উখিবদা বস অদুগী মখা থংবা শরুক্তা ওন্থদুনা তাশিনবা উরি। হুরিয়ট ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরকখিবগী মতুং ইন্নদি দ্রাইভরনা শোইবদগী খুদোংথিবা অদু থোকখিবনি হায়রি।

# পাকিস্তানগী চাইনা বেল্টতা মীওই ১০ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

*ক্বেটা, মে ১৩ঃ*
পাকিস্তানগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫৭গী লল্লোল ইতিক তৌফম ওইরিবা চাইনা বেল্ট এন্দ রোদকা শম্নবা লম্বীদা থবক শুবা মীওই ১০ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে হায়না সিক্যুরিটি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিস্তানগী শীন্মীশিং অদু কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্না লৈবা বেলোচিস্তান প্রোভিন্সকী হিথাংফম সহর গ্বদার তম্না চৎপদা এটেক্ট অদু চত্থরকখিবনি হায়রি।

লম্বী পরিং অদু চাইনা অমসুং পাকিস্তানগী ওইনা শেল থুমগী লমদা মরু ওইনা চাওনা লল্লোল ইতিক তৌফম অমা ওইরিবনি। শীন্মীশিং অদু অনকপা মফমদগী কাপ্পুনা হাৎপগী খুদম ফংই হায়না সেনিয়র লেভিস ওফিসার মুহম্মদ জরিফনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ পায়বা মীওইশিং অদু মোটোর সাইকল অমদা লাকখিবনি। মখোয়না শীন্মীশিং পুবা গারী অদুদা অকনবা মওংদা এটেক্ট চত্থরমখি। গ্বদর দিফ ৱাটর পোর্ট হায়না খঙনরিবা মফম অদু অরাবিয়ান সমুদ্রদা ঈশিংগী লম্বীদা চাইনাগা লল্লোল ইতিক তৌবগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফকী এদভাইজর নদ্দিম জ বেদনা হায়, শীন্মীশিং অদু ওপেককী মনাক্তা থবক শুননবা লাকখিবনি। পাকিস্তাননা ইং ২০২০ ফাওবদা মালেমগী ওইবা লল্লোল ইতিক্কী লমদা চাদ ৪ য়ৌহন্নবা পান্দম থন্নিবনি।

বেলোচিস্থানদা মতম কয়াগী মমাঙদগী সিক্যুরিটিগী অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। সেপরেটিষ্ট মিলিটেন্টশিংনা প্রোভিন্স অদুদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা অকনবা লাল হৌদুনা লাক্লি। মিলিটেন্টশিং অদুনা লমদম অদুগী ইনাক খুল্লবা গ্যাসকী পোত্থোকশিং য়েননবা দিমান্দ তৌরিবনি হায়রি।



**GAS TODAY**

**MANIPUR GAS**
Booking upto .......03/03/2017
Valid from ........... 01/03/2017
Stk 14 kg..........................306
19 kg ................................36
Timing........7.30 to 09.30 a.m

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
Booking upto .......06/03/2017
Valid from ........... 02/03/2017
Stk .................................306
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......27/02/2017
Valid from ........... 22/02/2017
Stk14kg..........................306
Rate ......................... Rs 784
Timing........8.00 to 10.00 a.m

**BASHIKHONG INDANE**
Booking upto .......20/03/2017
Sl. No. Upto ................ 9080
Valid from ........... 01/03/2017
Stk ..................150 (Subsidy)
50 (without subsidy)
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**GBD GAS, LAMLONG**
Booking upto .......25/02/2017
Valid from ........... 16/02/2017
Stk .................................612
Timing........7.00 to 10.30 a.m

**KHORIPHABA GAS, NAMBOL**
Booking upto .......07/03/2017
Valid from ........... 02/03/2017
Stk .................................306
Timing........7.00 to 09.30 a.m

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......06/03/2017
Valid from ........... 01/03/2017
Sl. No. ......................... 3520
Timing........7.00 to 11.00 a.m

# লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা পাকিস্তানন সেল কাপশিল্লকপদা ২ শীরে, ৩ শোক্লে


*জম্মু, মে ১৩ঃ*
জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ঙসি পাকিস্তান লাম্মীনা মোটার বোম অমসুং ওটোমেটিক নোংমৈশিং কাপশিল্লক্তুনা এটেক্ট চত্থরকখিবদা মীওই ২ শীরে, অদুগা ৩না শোক্লে।

পাকিস্তাননা সিজ ফাইয়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা হন্দক্কী অসিনা অহুল্লক শুবনি। পাকিস্তান লাম্মীনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা সেল কাপশিল্লকপদা নুপী ১ শীখি। অদুগা মহাক্কী মচা ৩না অশোক অপন নংখি।

ইন্দিয়ান আর্মিনসু চপ চানা খুৎ হনখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী পি আর ও লেফটিন্টে কর্নেল মনিস মেহতানা ফোঙদোরক্লি। হৌজিকসু মখা তানা লমদম অদুদা খুৎ থোক্লরি হায়রি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা পাকিস্তান লাম্মীনা সেল অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা পুন্না মীওই ২ লৈখিদ্রে। অদুগা অহুমনা অশোক অপন নংখ্রে হায়নসু রাজৌরি সহিদ ইকবাল চৌধারিনা ফোঙদোরক্লি।





ঙসি অয়ুক পুং ৭.১৫ তাবা মতমদগী নাওসেদা সেক্টরগী মনুং চনবা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা পাকিস্তান লাম্মীনা অপিকপা নোংমৈ, ওটোমেটিক, ৮২ এম এম অমসুং ১২০ এম এম মোটার কয়া কাপশিল্লকখি হায়রি।

ফিভম অদু য়েংলগা লমদম অদুদা লৈবা মীওইচা কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়রি।

**সনা-সুদোকু- ৮৫৯ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 2 | 9 | 1 | 7 |
| 2 | 7 | 1 | 9 | 3 | 5 | 6 | 4 | 8 |
| 9 | 8 | 4 | 1 | 7 | 6 | 2 | 3 | 5 |
| 7 | 1 | 9 | 5 | 2 | 8 | 3 | 6 | 4 |
| 8 | 5 | 3 | 4 | 6 | 9 | 1 | 7 | 2 |
| 6 | 4 | 2 | 7 | 1 | 3 | 5 | 8 | 9 |
| 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 6 | 3 | 8 | 7 | 4 | 9 | 1 |
| 4 | 3 | 8 | 2 | 9 | 1 | 7 | 5 | 6 |

# অন্দামান, বে ওফ বেঙ্গলদা চৎলিবা থা অসিগী ১৫দা মোন্সুন য়ৌরক্লগনি

*ন্যু দিল্লি, মে ১৩ঃ*
বে ওফ বেঙ্গল, অন্দামান এন্দ নিকোভর ঈথৎকী খা থংবা শরুকশিংদা মথংগী নুমিৎ নিনিগী মনুংদা সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন য়ৌরক্লগনি। চৎলিবা চহী অসিদা মোন্সুন কংফালগী লমদম য়ৌরকপা মমাঙ চহীগা য়েংনবদা নুমিৎ ৩নি ঙনখৎলগনি।

মেটেরেলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ডাঃ এম মহাপত্রানা ফোঙদোকখিবদা মে ১৫গী মতুং ১৮ ফাওবগী মনুংদা বে ওফ বেঙ্গল অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোভর ঈথৎতা য়ৌরক্লগনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা মফমশিং অদুদা কুমগী নোং চুবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে। মহৌশাগী ওইনা কেরলাদা জুন থাগী অহানবা চয়োলদা মোন্সুন লাকপনি। অদুম ওইনমক মেট দিপার্টমেন্টনা এপ্রিল ১৮দা ফোঙদোকখিবদা মোন্সুন থংনা-থংননা চহী ২দা চপ চানা লাকপগা লোয়ননা কুমগী নোং ঙাইদুনা লৌউ-শিংউ তৌবা মফমশিংদা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

লৈবাক অসিগী ওইনা লৌউ-শিংউ হায়বসি শেল-থুমগী লমদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবনি। ইন্দিয়ান ওসিনদা ওইরিবা ইল নানোগী ফিভমনা লৈবাক অসিদা মহৌশাগী ওইবা নোংজুগী চাংগা নক্কনা নোং চুবা য়াবগী ফিভম লৈ হায়রি।

ইন্দিয়ান ওসিন দিপোল (আই ও দি)গী মতুং ইন্না সমুদ্রগী ঈমায়দা অহিং অশাগী অহোংবা অমদি ওসিলেসন থোকপনা পোজিটিব ওইবা নত্রগা নেগেটিব ওইবা অমদি ন্যুত্রেল ওইবা ফিভম অদু শেন্নিবনি। ইন্দিয়ান ওসিনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ঈশিং ইংথবগী চাংগী মখা পোন্না ফিভম অদু ওইহল্লকই। মহৌশাগী ওইবা মালেমগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমদা আই ও দিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মদুগা মান্ননা পেসিফিক ওসিনদসু ইল নানোগী চপ মান্নবা ফিভমশিং থোকহল্লিবনি হায়রি।

**SANA - SUDOKU**

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-860**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | | 6 | 2 | 1 |
| | 9 | 2 | | | 6 | | | 3 |
| 8 | | | | | | | 9 | |
| | 1 | 3 | | | 4 | | | |
| | | 5 | 3 | | | 2 | | |
| | | | | | 7 | 8 | 3 | |
| | | 1 | | | 5 | | | |
| | | | 2 | 4 | | | | |
| | | | 8 | 9 | | 7 | | |

# ত্রক, মোটোর সাইকল থেংজিন্নবদা মীওই ৪ শীরে

*জয়পুর, মে ১৩ঃ*
রজস্থনাগী বরমর দিষ্ট্রিক্টতা মোটোর সাইকল অমগা পোৎ পুবা ত্রক অমগা থেংজিন্নবদা মীওই ৪ শীখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। খুদোংথিবা থৌদোক অদু কোটদা লমদমদা থোকখিবনি।

মোটোর সাইকল অদুদা মীওই ৪ তোংশিন্দুনা লাকখি হায়বা খঙবা ঙম্লে। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি খেত সিংহ (২০), উগাম সিংহ (২২), লুন সিংহ (২৩) অমসুং রোজে খান ২৩নি হায়রি। মীওইশিং অদু মোটোর সাইকল অদু কোটদা তম্না চৎপনি হায়রি।

খুদোংথিবা থোক্লবা মতুং ত্রক অদুগী দ্রাইভর মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। অশিবা হকচাংশিং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শীন্নখ্রে।

পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা থিগৎলি হায়রি।

অমরোমদা অসামগী নেসনেল হায়ৱে ৩১দা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মীওই ১ শীরে। অদুগা অনীনা অরুবা ফিভমদা শোকহনখ্রে।

খুদোংথিবা থৌদোক অদু ঙরাং অহিং অথেংবদা থোকখিবনি। নেসনেল হায়ৱে ৩১গী পরিংদা লৈবা নালবরিদা য়াঙনা থৌদুনা লাকপা ত্রক অমনা ইমুং অমগী মীওইশিং তোংদুনা লাকপা বাইক অমদা থোমজিনখি।

থৌদোক অদুদা নুপী অমা লৈখিদ্রে। অদুগা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং চহী ৭ খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা অমা অরুবা ফিভমদা শোক্লে হায়রি।

লৈখিদ্রবা নুপী অদুদি বসন্তি কালিতানি হায়রি। ফিভম লুনা শোক্লবা মপুরোইবা অমসুং মচানুপা অদু অরুবা ফিভমদা জি এম সি ঐচ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়রি।


## MANIPUR STATE MEDICINAL PLANTS BOARD

DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHEL, IMPHAL WEST, MANIPUR - 795004
Regd. No. 384/M/SR/2009 of 07-07-2009 Under Manipur Societies Registration Act, 1989
Tele/Fax : 0385-2416037 e-mail : manipursmpb@gmail.com website : www.smpbmanipur.org

**N O T I C E**

Imphal, the 12th May, 2017

F. No. MSMPB / (Conf.Meet-Prog)/2016 :- All the intending candidates of Class V-X are invited to participate in the following event organized by the Manipur State Medicinal Plants Board (MSMPB), Directorate of AYUSH, Lamphelpat. Details of the Programme are given as below :-

**Date** : 20th May, 2017 (Saturday) **Time** : 10.00 a.m. – 02.00 p.m.
**Venue** : Indian Medical Association (IMA) House, Lamphelpat

| Sl. No. | Particulars | Level | Theme | Remarks |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Painting Competition (Spot) | Class V & VI | Vision for development of School environment & Student's Health through Medicinal Plants. | Time - 10.00 a.m. Competition will be held on the spot on 20/5/2017 at IMA House, Lamphelpat |
| 2. | Speech Competition (Spot) | Class IX & X | Role of student in Promotion of medicinal plants | |
| 3. | Essay Competition | Class VII & VIII | Medicinal plants of Manipur and its perspective of commercialisation. | Hard copy to be submitted to MSMPB, Room No. 21 & 23, 2nd Floor, Lamphelpat or sent soft copy through e-mail: manipursmpb@gmail.com on or before 19/5/2017 to the office of the MSMPB, Directorate of AYUSH. |
| 4. | Poem Competition | Class IX & X | Smile with medicinal plants | |

★ **No enrolment fees will be charged.**
★ **Full particular of the student (Name of the Student, School, Class, Address, Students ID along with contact No. shall be furnished).**
★ **There will be three Prizes :**
**1st Prize – Rs. 5000/-** **2nd Prize – Rs. 3000/-**
**3rd Prize – Rs. 2000/- and** **20 Consolation Prizes for each category.**

**For further details please contact :**
Office of the
**Manipur State Medicinal Plants Board (MSMPB)**
Room No. 21 & 23, 2nd Floor, AYUSH Directorate, Lamphelpat
Ph. No. 0385 - 2416037 # 9436029231 / 8974293645
e-mail : manipursmpb@gmail.com website : www.smpbmanipur.org

(Dr. A Guneshwor Sharma)
Member Secretary, MSMPB.

SL/Bill/14,15,16